# রাদৱানস্কানা ৱুহান ওপনগী অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, রোবার্টা ভিন্সিনা মায়থীদুনা লৈহৌরে






ৱুহান (চিনা), সেপ্টেম্বর ২৭ :
ৱর্ল্ড নম্বর ফোর অগনিজকা রাদৱানস্কানা মফম অসিদা চঞ্থরিবা ৱুহান ওপনগী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মায় পাকখিদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখিবগা লোয়ননা হান্নগী য়ু এস ওপনগী রন্নর-অপ রোবার্টা ভিন্সিনা অহানবা ওইনা টুর্ণামেন্ট অসিদগী মপান থোকখিবা সীদেদ ওইখ্রে।

কুমজা ২০১২ গী ৱিমব্লেদন ফাইনেলিষ্ট রাদৱানস্কানা রসিয়াগী ইকাটোরিনা মাকারোভাবু ৬-৪, ৬-১ দা মায়থীবা পীখি। ইকাটোরিনা মাকারোভানা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্সকী নুপীগী দবলসকী গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

ইটালিগী রেঙ্ক ১৫ শুবদা লৈরিবা ভিন্সিনা য়ারোস্লাভা শভেদোভাগী মখুৎতা ৭-৫, ৬-২ দা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখি। মহাক্না কজাখকী মখুৎতা মায়থীহৌখিবসি ঙসিগী মেচ অসি থারগা অনীরকশুবসু ওইখি।

রাদৱানস্কানা মথংগী রাউন্দদা ইন-ফোর্মদা লৈরিবা কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। মমাঙগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অসিনা পোলবু মমাঙ চয়োলদা টোকিয়োদা পাঙথোকখিবা পান পেসিফিক ওপনগী সেমী ফাইনেলদা মায়থীবা পীখিবনি।

ৱোজনিয়াক্কিনা অনীশুবা রাউন্দদা ক্বালিফাইয়র কাটেরিনা সিনিয়াকোভাগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

চৈরক অসিদা অমেরিকান মেদিসন ব্রেঙ্গলনা রেঙ্ক ১০ শুবদা লৈরিবা রসিয়াগী সভেটলানা কুজনেটসোভাগী মখুৎতা ৬-০, ৬-৪ দা মায়থীহৌখি।

ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সেমী ফাইনেলিষ্ট অসিনা চিনাগী জাং শুয়াইগা মথং রাউন্দদা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। জাং শুয়াইনা কম্পেট্রিওট পেং শুয়াইবু অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচতা ৬-৭ (৫/৭), ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দ চঙখিবনি।

অমরোমদা, কোন্টানা জর্মনগী অনিকা বেকপু ৬-২, ৬-১ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ লোইরবা মতুংদা কোন্টানা হায়খি, মহাক্না নিংথিনা শান্নখি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, ৱিমব্লেদন চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবা পেট্রা কভিটোভানা ৱুহান ওপনগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচতা লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেঙ্কোবু মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

চেক অসিনা এস তরুক কনখিদুনা মহাক্কী নহা ওইরিবা ওপোনেন্টপু য়াম্না লাকচনা ৬-৩, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি।

বৃটেনগী হিথর বাটসন, লাটভিয়াগী অনাষ্টাসিজা সেভাষ্টোভা অমদি রসিয়াগী অনাষ্টাসিয়া পাভলয়ু-চেঙ্কোভানা মখোয়গী নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচতা রিটয়ার্দ তৌখি। হৌজিক ফাওবদা রিটয়ার্দ তৌখিবা প্লেয়র পুন্না মঙা শুখ্রে। মমাঙগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা হান্ননা টুর্ণামেন্ট অসিদগী ৱিঠদ্রো তৌখিবনি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী মেচশিংদা মায় পাক্কুনা অমেরিকাগী মেদিসন ব্রেঙ্গল, কজাকস্থানগী য়ুলিয়া পুটিন্টসেভা অমদি জপানগী মিসাকি দোইনা অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমখি।

মশাগী চহী ২৬ শুরবী কভিটোভানা সিজন অসিদা মশাগী অনাবা লৈখিবদগী মহাক্কী কোচ দেভিদ কোটিজাগা চহী ৭ চুপ্না লৈরকখিবা মরী অদু কাইখি অমদি চহী ৫ অসিদা মহাক্কী খ্বাইদগী নেম্বা ওইনা ১৬শুবা রেঙ্কিংদা কুমথদুনা লৈখি। অদুবু মহাক্না রিওদা মহাক্কী অহানবা ওলেম্পিক মেদল লৌখি। মহাক্না গোল্ড মেদলিষ্ট মোনিকা পুইগকী মখুৎতা সেমী ফাইনেলদা মায়থীহৌখি অমদি ব্রোঞ্জ মেদলগী মেচতা মেদিসন কিজবু মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা পোদিয়মগী মফম ফংখিবনি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা ৱিমব্লেদনগী ক্বার্টর ফাইনেলিষ্ট দোমিনিকা সিবুলকোভানা সেট অহুমদা ফ্রেঞ্চকী ক্বালিফাইয়র এলাইজ কোর্নেটপু ৬-২, ২-৬, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

অমরোমদা, টুর্ণামেন্ট অসিদা মখোয় মখোয়গী অহানবা রাউন্দ মেচশিংদা বেলিন্দা বেন্সিক অমদি টিমীয়া বাক্সিঞ্জকিনা রিটয়ার্দ তৌখি।

তরানিথোইশুবা সীদ বাক্সিঞ্জকিনা লৌইসা চিরিকোগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা মেচ অদু মপুং ফাবা ঙমদনা ৬-৩, ৪-৩ দা রিটয়ার্দ তৌখি। চিরিকোনা মেচ অদু মায় পাকখি।

ওপন অসিগী অহৌবা নুমিৎতা রোবার্টা ভিন্সিনা ওলেম্পিক চেম্পিয়ন মোনিকা পুইগপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

কারোলিনা প্লিস্কোভানা ভার্বারা লেপচেঙ্কোবু ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখি। মথং রাউন্দদা প্লিস্কোভানা সাফারোভাগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

# অর্ভিন্দ মণিনা নেসনেল এক্বাটিক চেম্পিয়নশিপকী মিটর ২০০ গী বেকষ্ট্রোক্তা রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রে



রাঞ্চি, সেপ্টেম্বর ২৭ :
অর্ভিন্দ মণিনা মিটর ২০০ গী বেকষ্ট্রোক্তা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীখিদুনা মফম অসিগী ভি বি বি ষ্টেদিয়মদা চঞ্থরিবা ৭০ শুবা গ্লেনমার্ক নেসনেল এক্বাটিক চেম্পিয়নশিপকী নিংথৌকাবা নুমিৎতা রেকোর্দ থমখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা অর্ভিন্দগী রেকোর্দ য়াওনা অপুনবা রেকোর্দ মরি থম্বা ঙমখি। মশাগী চহী ২০ শুরবা কর্নাটাকাগী স্বিমর অসিনা ২:০৫.৪৬ সেকেন্দ লোইদুনা চহী ৩ গী মমাঙদা রোহিৎ হাভলদারনা ২:০৬.২৩ সেকেন্দ লোইদুনা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগায়দুনা অনৌবা রেকোর্দ থমখি।

অর্ভিন্দনা অহানবগী মিটর ১০০ ফাওবদি য়াম্না য়াঙনা লোইদুনা মাঙজিল থাখি অমদি অরোইবদা ময়ামদগী মকোক থংনা মায় পাকখি।

সার্ভিসেসকী পি এস মধুনা ২:০৭.০২ সেকেন্দদা লোইদুনা অনীশুবা মফম কনখি অদুগা কর্নাটাকাগী এন শ্রিহরিনা ২:০৭.১৩ সেকেন্দ লোইদুনা অহুমশুবা তাখি।

অর্ভিন্দনা হায়খি, ঐগী খ্বাইদগী পামজবা ইভেন্ট অসিদা ঐনা উৎনিংখিবা পার্ফোর্মেন্স অদু য়ৌবা ঙমখিদবদা নুংঙাইতবা পোকই। অদুবু ঐহাক্না ময়ামদগী মাঙজিল থাবা ঙমখিবা অসিমক চাউথোকচৈ। রেসকী অহানবা হাফতা ময়ামদগী মশক থোক্না মাঙজিল থাগনি হায়না খনখিবনি। অদুবু মদুমক য়ৌনবা পার্ফোর্মেন্স পীবা ঙমখিদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

রিও ওলেম্পিয়ন সাজন প্রকাশ অমদি শিৱাণি কাটারিয়ানা মথংশিংনা নুপাগী মিটর ১০০ গী বট্টরফ্লাই অমদি নুপীগী মিটর ২০০ গী ফ্রিষ্টাইলদা নেসনেল রেকোর্দশিং থমখি।

সাজননা মিটর ১০০ গী বট্টরফ্লাই ইভেন্ট অদুদা ৫৪.৪৩ সেকেন্দ লোইদুনা মমাঙ চহীদা রাজকোটতা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপতা ভীর্ধৱাল খাদেনা ৫৪.৫৯ সেকেন্দ লোইদুনা নেসনেল রেকোর্দ থমখিবা অদু থুগায়খি।

শিৱাণিনা মিটর ২০০গী ফ্রিষ্টাইল ইভেন্ট অদুদা ২:০৬.৯৭ সেকেন্দ লোইদুনা নেসনেল রেকোর্দ থমখি। মহাক্না কুমজা ২০১১ দা রিচা মিশ্রানা ০.৩২ সেকেন্দদা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগায়খি। শিৱাণিগী পার্ফোর্মেন্স অসি মহাক্না রিওদা পীখিবা ২:০৯.৩০ সেকেন্দ অদুদগী হেন্না ফগৎপা ঙমখি।

শিৱাণিনা হায়খি, নেসনেল চেম্পিয়নশিপকী মাঙওইননা ঐহাক্না অকনবা মওংদা ট্রেনিং তৌদ্রিঙৈদা ঐগী পার্ফোর্মেন্স হেনগৎলকপা অসিদা অপেনবা পোকই হায়না ফোঙদোকখি।

গুজরাটকী মানা পটেল, অনশুল কোথারি, স্মিথ শর্ম্মা অমদি দিলপ্রীট কৌরনা মিটর ৪x৫০ মেদলেদা ০.০৩ সেকেন্দ মাঙজিল থানা কর্নাটাকাদগী লোইখিদুনা রেকোর্দ থমখি।

গুজরাটনা ১;৫৩.৪২ সেকেন্দ লোইদুনা কুমজা ২০১৫ দা মহারাষ্ট্রনা ১:৫৪.১৩ সেকেন্দ লোইদুনা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগাইখি।

নুপাগী ৱাটরপোলোদা মহারাষ্ট্রনা কর্নাটাকাবু ১০-০ দা মায়থীবা পীখি। পঞ্জাবনা মণিপুরবু ৫-৪ দা, ওল ইন্দিয়া পুলিসনা বেঙ্গলবু ৫-৩ দা, কেরলানা দেল্লিবু ১১-২ দা মায়থীবা পীখি।

নুপীগীদা বেঙ্গলনা ওল ইন্দিয়া পুলিসপু ৫-১ অমদি কর্নাটাকানা মণিপুরবু ১২-০ দা মায়থীবা পীখি।

নুপাগী মিটর ১৫০০ গী ফ্রিষ্টাইলদা আর এস পি বিগী সৌরভ সাংভেকরনা ১৬:১৫.৮১ সেকেন্দ লোইদুনা ফার্ষ্ট, মহারাষ্ট্রগী আরিয়ন মাখিজানা ১৬:২৩.৮৭ সেকেন্দ লোইদুনা সেকেন্দ অমসুং আর এস পি বিগী সানু দেবনাথনা ১৬:২৫.০১ সেকেন্দ লোইদুনা থার্দ তাখি।

নুপীগী মিটর ২০০ গী বেকষ্ট্রোক্তা মানা পটেল (গুজরাট) না ২:২২.৬৫ সেকেন্দ লোইদুনা অহানবা, য়ুগা বির্নাল (মহারাষ্ট্র) না ২:২৮.৩৫ সেকেন্দ লোইদুনা অনীশুবা অমসুং শ্রিয়ান্টি পান (বেঙ্গল) না ২:৩১.৭৮ সেকেন্দ লোইদুনা অহুমশুবা তাখি।

মিটর ৪x৫০ মেদলে মিক্সতা গুজরাটনা ১:৫৩.৪২ সেকেন্দ লোইদুনা ফার্ষ্ট, কর্নাটাকানা ১:৫৩.৪৫ সেকেন্দ লোইদুনা সেকেন্দ অমসুং মহারাষ্ট্রনা ১:৫৫.২৭ সেকেন্দ লোইদুনা থার্দ তাখি।

নুপাগী দাইভিংগী মিটর ১ গী স্প্রিংবোর্দতা এস এস সি বিগী কেরমানন্দ শর্ম্মনা ২৯৭.৫০ ফংদুনা ফার্ষ্ট, আর এস পি বিগী গৌরভ রঘুভান্সিনা ২৬৯.০৫ ফংদুনা সেকেন্দ অমসুং আর এস পি বিগী টি হরিপ্রসাদনা ২৬৩.৪৫ ফংদুনা থার্দ তাখি।

নুপীগীদা সিমরান রজনি (মহারাষ্ট্র) না ১৬৭.৩০ ফংদুনা ফার্ষ্ট, আর এস পি বিগী টানুকা ধারানা ১৪৫.৮৫ ফংদুনা সেকেন্দ অমসুং টিটিক্সা মারাথে (এম পি) না ১৩৯.২০ ফংদুনা থার্দ তাখি।

নুপাগী মিটর ১০০ গী বট্টরফ্লাইদা আর এস পি বিগী সাজন প্রকাশনা ৫৪.৪৩ সেকেন্দ লোইদুনা ফার্ষ্ট, আর এস পি বিগী সুপ্রিয়ো মোন্দালনা ৫৫.১৯ সেকেন্দ লোইদুনা সেকেন্দ অমসুং পঞ্জাবকী অমন ঘাইনা ৫৬.৩৮ সেকেন্দ লোইদুনা থার্দ তাখি।

# চনম্বম থম্বৌনা সুব্রোটো কপতা মায় পাক্না চৎলি

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৭ :
চনম্বম থম্বৌ ঐচ এস এস (ইম্ফাল) না মফম অসিদা চঞ্থরিবা নুপীমচাগী চহী ১৭ মখাগী ৫৬শুবা সুব্রোটো কপ ফুটবোল টুর্ণামেন্টকী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ৱাই য়ু দল্লিয়ু এ (রাঞ্চি) ৭-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চনম্বম থম্বৌ ঐচ এস এসনা মায়োক্নখিবা সাইদতা অকনবা শাফুশিং পীদুনা এটেকশিং তৌখি। ৱান সাইদেদ ওইনা চঞ্থখিবা মেচ অদুদা চনম্বম থম্বৌ ঐচ এস এসকী প্লেয়র দায়া দেবীনা গোল ৫, ক্রিটিনা দেবী, অমদি বেবীসনা দেবীনা গোল অমমম চন্দুনা ৱাই য়ু দল্লিয়ু এবু মায়থীবা পীখি।

ৱাই য়ু দল্লিয়ু এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু সুমিট্রা কুমারিনা চনখি।

সব-জুনিয়র বোইজগী সেমী ফাইনেলদা ধাকাগী বি কে এস পিনা কাবুলগী ইষ্টেকোল স্কুল অমসুং চন্দিগড়গী গর্ভর্ণমেন্ট হায় স্কুল অমদি ওদিষাগী এন সি সি দিরেক্টোরেটনা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

অতোপ্পা মেচ অমদা জি এম আর এস এস, থিরুভানন্থপুরমনা এস এক্স ঐচ এস বার্দেজবু ১-০ দা মায়থীবা পীখি। জি এম আর এস এসকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু সিম্নানা চনখি।

পনবা য়াই, টুর্ণামেন্ট অসিগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা চনম্বম থম্বৌ হায়র সেকেন্দরী স্কুলনা উত্তরখন্দগী রাজকিয়া বালিকা ইন্টর কোলেজবু গোল ২৬-০ দা মায়থীবা পীখিবনি। অদুগা গর্ভর্ণমেন্ট মিজো হায় স্কুল (এন সীসী) আইজোলনা বেষ্ট বেলগী সারালা ভুপেন্দ্রনাথ সরকার হায় স্কুলবু ৯-০ দা মায়থীবা পীখি।

# ইন্দিয়ানা টেষ্ট মেচ অহুমগী সেরিজদা ১-০ দা মাঙজিল থারি



কানপুর, সেপ্টেম্বর ২৭ :
মফম অসিদা চঞ্থখিবা ইন্দিয়া অমদি ন্যু জিলেন্দ অনীগী অহানবা টেষ্ট মেচ য়ুম্বু ইন্দিয়ানা রন ১৯৭ তা মায় পাকখিদুনা মেচ অহুমগী সেরিজ অসি ইন্দিয়ানা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখ্রে।

কানপুরগী গ্রীন পার্ক ষ্টেদিয়মদা চঞ্থখিবা ইন্দিয়াগী নিংশিংনিঙাই ওইরবা ৫০০ শুবা টেষ্ট মেচ অদুদা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবা ইন্দিয়ানা ইন্নিং অদুদা ৱিকেট পুম্নমক আউট ওইরগা অপুনবা রন ৩১৮ অমদি অনীশুবা ইন্নিংসতা ৱিকেট ৫ আউট ওইরগা অপুনবা রন ৩৭৭ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা ভিজিটর ন্যু জিলেন্দনা অহানবা ইন্নিংসতা ৱিকেট পুম্নমক আউট ওইরগা অপুনবা রন ২৬২ অমদি অনীশুবা ইন্নিংসতা ৱিকেট পুম্নমক আউট ওইরগা অপুনবা রন ২৩৬ লৌখিদুনা য়ুম্বুগী মখুৎতা রন ১৯৭ তা মায়থীখি।

অহানবা টেষ্ট মেচ অদুগী ইন্নিংস অনীমক্তা বেট্টিং অমদি বোল্লিংদা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীদুনা অপুনবা রন ৯২ অমদি ৱিকেট তরুক লৌবা ঙমখিবগীদমক রভিন্দ্রা জাদেজাবু প্লেয়র ওফ দ মেচকী এৱার্দ ফংখি। ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ওফ-স্পিন্নর রভিচন্দ্রা অশ্বিননা অনীশুবা ইন্নিংসতা ৱিকেট মঙা লৌবা ঙমখিদুনা ইন্দিয়ানা মায় পাকখিবদা চাউরবা মতেং ওইখি।

অপুনবা রন ৪৩৪ লৌদুনা মায় পাক্নবগীদমক টার্গেট ফংখিবা ন্যু জিলেন্দনা মরিনি চনবা নুমিৎতা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ৯৩ লৌখ্রবা মতুং মঙানি চনবদা অপুনবা ওভর ৮৭.৩ দা রন ১৪৩ লৌদুনা ইন্নিংস অদু লোইশিনখি।

মঙানি চনবা নুমিৎতা ন্যু জিলেন্দগী মিটচেল সান্টর অমদি লুক রোঞ্চিনা মশক থোক্না বেটিং তৌখি। রভিচন্দ্রা জাদেজানা লংখিবা ৫৮শুবা ওভরদা রোঞ্চিনা সিক্স য়ৈনবা এটেম্প তৌখিবদা অশ্বিননা ওক্কুনা আউট ওইখিবদগী মিটচেলগা রন ১০২ গী পার্টনরশিপ অদু অরেম্বা তাহনখি। শামিনা মহাক্কী মশক থোক্লবা বোলদা বিজে রাউশিং (১৮) অমদি মার্ক ক্রেগ (১) পু ক্রিজদগী মপান থোকহনখিদুনা ন্যু জিলেন্দগী ফীভম শোকচিনহনখি। লঞ্চ মতুংদা অশ্বিননা সান্টনর (৭১) য়াওনা বেটসমেন মরি মথং মথং লৌথোকখিদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী মঙারকশুবা ওইনা ৱিকেট তরা লৌবা ঙম্বা ওইদুনা পুৱারী শেমখি।

লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৩০ দা অনীশুবা টেষ্ট মেচ কোলকটাগী ইদেন গার্দেনদা শান্নগনি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়ানা টেষ্ট মেচকী পুৱারীদা ১০০শুবা অমদি ২০০ শুবা টেষ্ট মেচতা মায়থীখি অদুগা ৩০০ শুবা, ৪০০ শুবা অমদি ৫০০ শুবা টেষ্ট মেচতি মায় পাকখি। ৫০০ শুবা টেষ্ট মেচ অসিদা অশ্বিননা খ্বাইদগী থুনা ৱিকেট ২০০ লৌবা ঙম্বা ইন্দিয়ন ওইবা ঙমখিবদা নত্তনা ৱর্ল্ডগী ওইনা অনীশুবা ক্রিকেটর ওইদুনা পুৱারীসু শেমখি।

## অহানবা টেষ্টতা অশ্বিননা রেকোর্দ থমখ্রে

কানপুর, সেপ্টেম্বর ২৭:
ওফ-স্পিন্নর রভিচন্দ্রন অশ্বিননা ন্যু জিলেন্দগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেচতা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীখিদুনা খ্বাইদগী থুনা টেষ্ট ৱিকেট ২০০ লৌবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী বোল্লর ওইখিবগা লোয়ননা ৱর্ল্ডগীনা অনীশুবা বোল্লর ওইবগী পুৱারী শেমখি।

মফম অসিগী গ্রীন পার্ক ষ্টেদিয়মদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ন্যু জিলেন্দগী মায়োক্তা শান্নখিবা অহানবা টেষ্টকী মরিনি চনবা নুমিৎতা অশ্বিননা কিৱিগী কেপ্টেন কেন ৱিল্লিয়মসনবু আউট ওইহন্দুনা টেষ্ট মেচ ৩৭ তা ৱিকেট ২০০ লৌবা বোল্লর ওইখিবনি।

সাউথ অফ্রিকাগী বোল্লর দেল ষ্টেননা ৱিকেট ২০০ লৌখিবদা টেষ্ট মেচ ৩৯ শান্নখি অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী লেগ স্পিন্নর ক্লে রিগ্রিমেটনা ৱিকেট ২০০ লৌখিবদা টেষ্ট মেচ ৩৬ শান্নদুনা অশ্বিনদগী মাঙজিল থানা লৈদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি।

অশ্বিননা কানপুর টেষ্টকী মমাঙ ফাওবদা ৱিকেট ১৯৩ লৌদুনা লৈখিবনি। হান্না ৱিকেট ২০০ লৌবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী বোল্লর অসি ওফ-স্পিন্নর হরভজন সিংহনা ওইরমখি। মহাক্না টেষ্ট মেচ ৪৬ তা ৱিকেট ২০০ লৌখি।

হৌজিক ইন্দিয়াগী টিম কোচ ওইরিবা স্পিন্নর কুমব্লেনা টেষ্ট মেচ ৪৭ তা ৱিকেট ২০০ লৌবা ঙমখি। হৌজিক অশ্বিননা টেষ্ট ১৮ দা ৱিকেট ১০০ লৌদুনা খ্বাইদগী থুনা ৱিকেট লৌবা ঙম্বা বোল্লরসু ওইরিবনি।

# সানিয়া মিরজানা দবলস রেঙ্কিংদা নম্বর ৱানদা লৈখ্রে, সকেথনা ১৩৮ শুবা রেঙ্কতা লৈরে




ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৭ :
ইন্দিয়াগী সানিয়া মিরজা অমদি চেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা হন্দক্তা টোকিয়োগী পান পেসিফিক ওপনদা জুরা শেমদুনা দবলস টাইটল লৌবা ঙমখিবা অদুদগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা থোকখিবা দব্লিয়ু টি এগী খ্বাইদগী নৌবা নুপীগী দবলস রেঙ্কিংদা মখা তানা মালেমগী মকোক থংবা মফমদা লৈখ্রে।

সানিয়ানা অপুনবা পোইন্ট ৯৭৩০ ফংদুনা নুপীগী দবলসকী টোপ স্পোটতা লৈদুনা মহাক্কী হান্নগী পার্টনর স্বিসকী মার্টিনা হিঙ্গিসতগী পোইন্ট মখাখক্তমক হেঙ্গৎনা চৎলি। সানিয়া অমদি ষ্ট্রাইকোভানা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা সিন্সিনাটি ওপনগী ফাইনেলদা মার্টিনা হিঙ্গিস অমদি য়ু এস এগী কোকো ভান্দেৱেঘেবু মায়থীবা পীখিবনি।

সানিয়া অমদি ষ্ট্রাইকোভানা সিন্সিনাটি ওপনদগী অপুনবা লম্বা শেমদুনা শান্নরকখিবদগী ওপন অসিগী টাইটল য়াওনা পান পেসিফিক ওপনগী টাইটল থারগা অনীরকশুবা টাইটল লৌবা ওইখি। মরক্তা য়ু এস ওপনদা শরুক য়াখিবদা মায়থীখি।

এ টি পি রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী ওইনা সাকেথ মৈনেনিনা রেঙ্কিং ৱাংনা লৈবা প্লেয়র ওইরি। য়ু এস ওপনগী ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ অহুম মায় পাক্কুনা মেইন দ্রো চঙবা ঙমখিবা সাকেথনা হান্নদগী মফম অমা কুমথরগা ১৩৮ শুবা মফমদা লৈখি। হন্দক্তগা পাঙথোকখিবা দেভিস কপ টাইদা স্পেনগী মায়োক্তা শান্নখিবা রামকুমার রমানাথননা হান্নগী মফমদগী ১০ কুমথরগা ২২৯ শুবদা লৈবা ঙমখিদুনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা রেঙ্কিং ৱাংনা লৈবা সিঙ্গলস প্লেয়র ওইরি।

মশাগী অশোকপা লৈবদগী মতম খরা শান্নদনা লৈরুরবা য়ুকি ভাম্ব্রিনা হান্নগী মফমদগী ৬২ হাইথরক্কুনা ২৮২ শুবা রেঙ্কতা লৈখি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF CONSUMER AFFAIRS, FOOD & PUBLIC DISTRIBUTION DEPARTMENT**

**NOTIFICATION**
Imphal, the 27th September, 2016

**No. 1/910/2015-DCAF&PD:** In pursuance of Government approval conveyed vide letter No. 1/2/2016-CAF&PD dated 26th September, 2016, CAF&PD Department invites application in the prescribed format from eligible and intending candidates for the following posts under this Directorate on temporary basis through sponsorship of the concerned employment exchanges in Manipur.

| Sl. No. | Name of Post | Pay Scale | No. of Post | UR | ST | SC | OBC | Essential Qualification |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Statistical Inspector | Rs. 9300 - 34800 + G.P. Rs. 4200 | 2 | 1 | 1 | - | - | Degree in Statistics/ Mathematics/Economics/Commerce from a recognised University |
| 2 | Auditor | Rs. 5200 - 20200 + G.P. Rs. 2800 | 4 | 2 | 1 | - | 1 | B.Com. or B.Sc. or B.A. (Mathematics) from a recognised University |
| 3 | Area Officer | Rs. 5200 - 20200 + G.P. Rs. 2800 | 1 | - | 1 | - | - | Degree from a recognised University |
| 4 | Quality Inspector | Rs. 5200 - 20200 + G.P. Rs. 2400 | 1 | 1 | - | - | - | Degree from a Recognised University |
| 5 | Record Keeper | Rs. 5200 - 20200 + G.P. Rs. 1900 | 1 | 1 | - | - | - | Degree from a Recognised University |
| 6 | LDC/Office Assistant | Rs. 5200 - 20200 + G.P. Rs. 1900 | 1 | 1 | - | - | - | Degree from a recognised University with computer certificate course/ equivalent from a recognised University/Institute. |
| 7 | Driver | Rs. 4440 - 7440 + G.P. Rs. 1300 | 4 | 1 | 2 | - | 1 | VIII passed + Driving Licence holder with 3 years driving experience (Light/Heavy) |
| 8 | Dusting Operator | | 1 | 1 | - | - | - | Matriculate from a recognized Board/University |
| 9 | Store Handler | | 2 | 1 | 1 | - | - | |
| 10 | Peon-cum-Chowkidar | | 10 | 5 | 3 | - | 2 | |
| 11 | Cleaner | | 1 | - | - | - | 1 | |
| 12 | Sweeper | | 3 | 2 | 1 | - | - | |

**Age:-** 18 - 38 years. Age relaxation in respect of OBC/SC/ST/Government Employee as per existing Government orders shall be admissible.

2. The vacancies shown above may be increased or decreased according to the vacant post available in the Department.
3. Departmental candidates fulfilling the essential qualifications may also apply by submission of the forms exempting sponsorship from the employment exchange.
4. Prescribed application form can be had on payment of Rs. 500/- for General candidates and Rs. 250/- for OBC/ST/SC candidates along with details of method of selection of suitable candidates from the office of the undersigned during office hours on all working days w.e.f. 29.9.2016. Last date of submission of requisition from Employment Exchange to this Directorate shall be on or before 12th October, 2016 and submission of duly filled-in application form shall be on or before 18.10.2016.

(M. Yaiskul Meitei)
Director (CAF&PD), Manipur.

HL-B/3343/28